# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মেজর চোংথামিয়াগী ১১৭ শুবা নিংশিং থৌরম ঙরাং মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

২) ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন থোকহনবীদনবা হায়রি।

অমসুং

৩) সংসদকী বজেৎ মীফম থা অসিগী ৩১ দগী রাষ্ট্রপতিগী ভাষনগা লোয়ননা হৌরগনি, মথং থাগী ১ দনা কেন্দ্রগী বজেৎ পুথোক্কনি।

------

চোংথাম মিয়া (এল)ঃ মেজর চোংথামিয়াগী ১১৭ শুবা নিংশিং থৌরম ঙরাং ত্রিপুরাগী শুরজয়া মনিনাগরদা লৈবা নরায়ন খামরদা পাঙথোকখ্রে। মেজর চোংথামিয়া মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা শিন্দুনা লৈখিদ্রবা অথোবা অসিগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম নরায়ন খামরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা য়ুনাইতেদ চোংথাজগী প্রসিদেন্ট চোংথাম তোম্বনা হায়- ইং কুমজা ১৮৯১ দা বৃটিশনা মণিপুরবু লৌশিন্নবা হোৎনবদা মতম অদুগী কোনুং কংলাদা বির টিকেন্দ্রজিৎ ফানবা অহিংদা বৃটিশশিংনা লান্দারকখিবা, থৌবাল অথোকপমগী লানফম অমসুং খোংজোমগী লানফমদা মৈতৈ লান্মীগী লুচিংবা অমা ওইনা মেজর চোংথামিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লান্থেংনখি। তুংদা মহাকপু বৃটিশনা ফারগা অন্দমান নিকোবরদা লোই থাখি। লোই থাবগী মতম লোইরদুনা হল্লক্লগা

মণিপুরদা চংবা য়াদবদগী ত্রিপুরাগী নরায়ন খামরদা পুন্সিগী অরোইবা মতম ফাওবা লৈখি।

মেজর চোংথামিয়াগী ১১৭ শুবা নিংশিং থৌরম ঙরাং ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতসু য়ুনাইতেদ চোংথাজনা শিন্দুনা পাঙথোকখি। ঐখোয়না কনগনি, ঐখোয়না ঙাক্কনি ইমা লৈবাক ইপু লমদম হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা নিংশিং থৌরম অদুদা চহি অসিগী মিয়া সিংহ মেজর ৱারিয়র এৱার্দ- উরিপোক অচোম লৈকাইদগী কদাংবন্দদা খুল ঙাকপগী থৌদাং লৌবদা লৈখিদ্রবা সাইখোম সঞ্জিৎকুমারদা পীখি। মনা অদু মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ মালেমগী ওইনা মীওইবনা অৱা অনা তারকপা মতমদা মতেং পাংবদা রেড ক্রোস সোসাইতি অসিসু অমনি। মণিপুরদসু ইং কুমজা ১৯৬০ দগী ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতিগী মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ হাংদোক্লুনা লমদম অসিদা মীওইবগা মরী লৈনবা অৱা অনাশিং থোরকপা মতমদা মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরক্লি। মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং অমদি মতম মতমগী ওইনা থোরকপা অৱা অনা কয়াদা সোসাইতি অসিনা অঙম্বা থৌদাং য়াদুনা মতেং পাংলি। করিগুম্বা মতমদনা অশোক অপন নংলবা মীওইশিংগী মথৌ তারবা ঈ পীনবা হোৎনবদা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরমনচিংবসু পাঙথোক্লুনা লাক্লি। সোসাইতি অসিগী ভোলুন্তিয়ারশিং নিংথিনা ত্রেনিং পীদুনা মীয়ামগী মতেং পাংবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। অৱা অনা নংলবা মীওইশিং মতেং পাংনবা এম্বুলেন্সনচিংবা চৎপা মতমদা মীয়ামা অয়েৎ অপন থোকহনবিদনবা আপীল তৌরদুনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চেয়ারমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা অসুমা ফোংদোক্লি।

কাংপোকপী (এল)ঃ ১১২ শুবা সি.আর.পি.এফ বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা কাংপোকপী জিলাগী ফাইলেং ভিলেজদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ঙরাং পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা বত্তাল্লিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট

এস.ঐচ. পি.কে. সাহু য়াওনা ভিলেজ চীফ হাওমিনথাং কিলোং শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অসিদা জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসকী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। সোলর লেম্প, স্কুল বেগ, দসবিন, শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

পুয়া (এল)ঃ শিংজমৈ মখা শোরোকখাইবম লৈকাইদগী লৈখিদ্রবা এলাংবম মঙ্গিনা থন্লম্বা পুয়া লাইরিকশিং ঙরাং সনা কোনুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা খুৎশিন্নরক্লে হায়রি। মসিগীদমক উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা ইমুং মনুং অমসুং মরী লৈনবশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

বজেৎ ঃ সংসদকী বজেৎ মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংদুনা মীফম অদু হৌদোক্কনি।

কেন্দ্রগী বজেৎ মথং থাগী ১ দা পুথোক্কনি। মীফম অসিগী অহানবা শরুক থা অসিগী ৩১ দগী মথং থাগী ১৩ ফাওবা চথগনি। অনিসুবা শরুকা মার্চকী ১০ দগী এপ্রিলগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

মাওইষ্ট ঃ ছত্তিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা মাওইষ্ট ১২ শিরে। সি.আর.পি.এফ কোব্রা বত্তাল্লিয়ন, দিষ্ট্রিক্ট রিজার্ভ গার্দ অমসুং স্পেসিয়েল টাস্ক ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা বিজাপুর জিলাগী পামের অমদি বসাগুরা এরিয়াদা ওপরেসন চথবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ঙরাং নুমিৎ চুপ্পা নোংমৈ কাপরবা মতুংদা মাওইষ্ট ১২ গী অশিবা হকচাং ফংখিবনি।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা হায়রি- রাজ্য অদুদা রেভিন্যু খোমগৎপগী চাং চহি খরা অসিদা শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি।

ইতানাগরদা ঙরাং নুমিৎ নিনি চুপা চথরকপা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংগী

সাসক অরুনাচল কনফরেন্স লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অদুদা গ্রাসরুট লেবেলদগী হৌনা মপুং ফানা শক্তি পীনবা য়াওনা অনৌবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎনবা শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। মখা তানা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংগা অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা অনৌবা থৌশিল থৌরাংশিং অসি চৎনহন্নবা হোৎনরগনি।

হরিয়ানা ঃ  হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি নয়ব সিংহ সাইনিনা হায়রি- রাজ্য অদুদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনরি।

করনলদা লৈবা মধুবন পুলিস একাদমিদা ঙরাং অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিগী মতাংদা দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং এস.পিশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসি চৎনরবা মতুংদা রাজ্য অদুগী ৱায়েল থৌদাগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরকপা ঙম্লগনি। অনৌবা থৌরাং অসিগী মখাদা রাজ্য অদুগী কোর্ট ৪৪৫ দা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুদোংচাবসু ফংহল্লগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চুরাচান্দপুরদা লুপা ক্রোর ৬২ গী ড্রগশিং ফাগৎখ্রে, কুকি-জো কাউন্সিলনা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখ্রে অমসুং অশংবা লফোইবু কেমিকেল শিজিন্নদুনা মুলহন্নবা হোৎনরম্বা অনি ফারে হায়রিবা পাউশিং অসি ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

কুকিশিংনা সেন্তরগী ওফিসিয়েলশিং উন্নখ্রে, মোরেগী স্কুলশিংদা মণিপুরী সবজেক্ট তমদনা ঐচ.টি.সিনা খঙহনখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মসিগা মান্নবা পাউ- ঈচেল এক্সপ্রেস, মণিপ্‌র নিউজ, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, গানফিউ মেল অমদি অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

কে.এন.ও, কে.এন.এগী খুৎলায় লৈনবা পোপি কলটিভেতরশিংনা ওপিয়ম কে.জি. অমমম দোনেট তৌগদবনি হায়না খঙহনখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মসিগা মান্নবা পাউদা- কে.এন.ও-কে.এন.এগী কানি দোনেসন তৌনবা ওর্দর সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরে হায়না পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অশংবা লফোই খুদক্তা মুন্নবা কেমিকেলদা লুপ্লগা য়োল্লম্বা মীওই অনি পুলিসনা ফারে, বেলদা থাদোকখ্রে হায়না মণিপুর নিউগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউদা- হিদাক্তা লফোই লুপ্লগা য়োনবগী ভিদিও নম্লকখিবী নুপী অনিদা পুলিসনা মনা পীখ্রে হায়না সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লুপা ক্রোর ৬২ রোমগী ড্রগ, লুপা লাখ ৩ লিশিং ৩৭,৫০০ গা কোন্ননা মীওই অনি ফারে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

চহি অসিগী মার্চ থা ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বাইও গ্যাস প্লান্ট ১৫০ শানবা পান্দম থল্লি হায়না মনিরেদাগী দিরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- লৈমাখোংগী আর্মি কেম্পতগী লাইশ্রম কমলবাবু মাংহনখিবা নুমিৎ ৫৪ নি শুরে, নমফুদা মী মাংহনখিবগী অহানবা মালেমগী মীফমদা কমলবাবুগী ৱাফম পুখৎখ্রে, ইন্তরনেসনেল কনভেন্সনদা খুৎয়েক পীখিবা ইন্দিয়ানা থৌ-ৱা শাদ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মণিপুর মেল অমদি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শকাইরবা অইবা খুমন্থেম প্রকাশ মশাগী চহি ৯৩ দা লৈখিদ্রে হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদা ৮ শুবা পে কম্মিসন পীননবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------